MANI PURI

# ꯑꯍꯧꯗꯣꯛ

# ৱাহৌদোক

ঐখোয়, ভারতকী মীয়াম্না, ভারতপু [1][**মীখা থাদনা লৈঙাক মপু ওইজবা, সমাজবাদী ওইবা, ধর্ম্মগী লুপ্তা য়াওদনা প্রজাগী মীহুৎ মীয়াম্না লৈঙাকচবা লৈবাক**] অমা শেম্নবা অমসুং মসিগী নাগরিক পূম্নমক্তা :

খুন্নাইগী, শেন্থুমগী অমসুং রাজনিতিগী **অচুম্বা ৱায়েল;**

ৱাখলগী, ৱা ঙাঙবগী, থাজবগী, ধর্ম্ম অমসুং প্রজাগী **নীংতম্বা;**

অনেম-অৱাং থাক্কী অমসুং খুদোংচাবগী **চপ মান্নবা;**

ফংহন্ননবগীদমক অমসুং

মী-মীগী মতিক মগুন অমসুং [2][লৈবাক্কী অমত্তা ওইবা অমসুং অপূন্বা শক্তম্বু] ঙাক্তুনা **মচিন-মনাও ওইবগী ৱাখল্লোন** মখোয় পূম্নমক্তা থৌগৎ-হেঙ্গৎহন্নবগীদমক;

পুক্নিংদা চপ য়ুংনা লেপ্লদুনা **ঐখোয়গী সম্বিধান শেম্বগী সভাসিদা** ইং ১৯৪৯ গী নবেম্বর থাগী কুন্তরুক্নি চনবা নুমিৎসিদা **সম্বিধান অসি অসুম্না চৎনহন্নবা লৌজরে, আইন ওইহল্লে অমসুং ঐখোয় ইশামক্তা পীশিঞ্জরে।**

---

1. সম্বিধান (নিফুনিথোইশুবা শেমদোকপা) এক্ট, ১৯৭৬ কী সেক্সন ২ না "মীখা থাদনা লৈঙাক মপু ওইজবা, প্রজাগী মীহুৎ মীয়াম্না লৈঙাকচবা লৈবাক" হায়বগী মহুত্তা শিন্দোকখিবা (তাং ৩-১-১৯৭৭ ইংদগী)।
2. সম্বিধান (নিফুনিথোইশুবা শেমদোকপা) এক্ট, ১৯৭৬ কী সেক্সন ২ না "লৈবাক্কী অমত্তা ওইবা শক্তম্বু" হায়বগী মহুত্তা শিন্দোকখিবা (তাং ৩-১-১৯৭৭ ইংদগী)।